# টিকেন্দ্রজিৎ নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ককচিং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ১৮ (এস এন এস) ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসেসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা দি এস এ গ্রাউন্দা ককচিংদা টিম ৭না গ্রুপ–৩ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ৯ দগী চথরকপা ৩শুবা টিকেন্দ্রজিৎ নীংশিং অন্দর ১৩ বোইজ ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা জুবেনাইল এসোসিয়েসন (জে এ) ককচিং মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা শান্নখিবা গ্রুপ–এগী লীগ মেটচতা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংনা ককচিং পোপুলর স্পোর্টিং ক্লব ( কে পি এস সি) ককচিংবু য়াম লাকচন্না গোল ৯–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৪ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা গোল ৫ চন্দুনা পূন্না গোল ৯ অদু চনখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ)না অঙনবা মিনটশিংদগী বোল হেন্না পায়রগা শান্দুনা ককচিং টাউন ক্লবপু লাকশিন্দুনা মথৌ চিলহনখি।

মেটচ অসিগী হৌরকপা মিনট ৭ চৎপদা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংগী জর্সি নম্বর ২৮ কে ঐচ রিশিকান্তনা মেটচকী অহানবা গোল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অহানবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনট ৭ কান্নরগা মিনট ১৪ দা কে ঐচ রিশিকান্তনা অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। টিম অসিগী অহুমশুবা গোল অদু কে ঐচ রিশিকন্তনা মহাক্কী হেদট্রিক গোল ওইনা মেটচকী মিনট ২৪ চৎপদা চন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ২৮ চৎপদা জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ)গী জর্সি নম্বর ২৫ কে এস ঐচ ফ্রেঙ্কিনা টিমগী মরিশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৪–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংনা অহানবা হাল্ফতা হৈথোই–শিংথোইবা মতৌদা শান্নখ্রবা মতুংদা অনীশুবা হাল্ফতসু মখোয়গী চপ চাবা মপাঙ্গল অদু ফুদোরক্তুনা অহেনবা গোল হাপচিলক্কবা হোৎন্নরকখি।

জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংগী জর্সি নম্বর ১৬ নুং থোইনা মিনট ৩৩ চৎপদা টিমগী মঙাশুবা অমদি মিনট ৪৭ চৎপদা টিমগী ৬ শুবা গোল অদু চন্দুনা ৬–০ দা মাঙজিল থাদুননা চৎখি।

টিমগী ৬ শুবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনট ২ কান্নরগা মিনট ৪৯ দা জর্সি নম্বর ২৫ কে এস ঐচ ফ্রেঙ্কিনা মহাক্কীনা অনীশুবা গোল অমদি টিমগী ৭ শুবা গোল অদু চন্দুনা ৭–০ দা মাঙজিল থাখি।

জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ) ককচিংনা মেটচকী লেমহৌরিবা গোলশিংদসু বোল পোজিসন হন্থাদনা শান্দুনা ককচিং পোপুলর স্পোর্টিং ক্লব ( কে পি এস সি) ককচিংগী মায়কৈদা হেন্না এটেক কনশিনখি।

টিম অসিগী ৮ শুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ২২ এন বৈচুংনা মিনট ৫৪ চৎপদা চনখি। জুবেনাইল এসোসিয়েসন ( জে এ)গী মেটচকী অরোইবা ৯ শুবা গোল অদু কে ঐচ রিশিকন্তনা মহাক্কী ৪ শুবা গোল ওইনা মিনট ৫৭ চৎপদা চন্দুনা মেটচকী মায় পাকপ্পগী গোল অদু চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা ককচিং পোপুলর স্পোর্টিং ক্লব ( কে পি এস সি) ককচিংগী জর্সি নম্বর ১২ এম প্রিয়োদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি সি ঐচ সামসন,এম রিগাল, টি এল অনখুল মরিং অমদি এল দিরিকনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি,এষ্টিটেন্ট রেফরি ১,এষ্টিটেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদা উয়োক চিঙয়া ক্লব ( য়ু সি সি) ককচিং অমদি সোসিয়েল ৱেলফিয়রা ক্লব (এস দব্লিউ সি) কৈরকনা গ্রুপ– বিগী মেটচ ওইনা শান্নগনি।

# অনীশুবা ইপুধৌ নোংশাবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯দা হিজম এফ সি সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জুন ১৮ (এস এন এস)ঃ করাম অৱাং লৈকাই য়ং ক্লব,করামনা শীন্দুনা করাম কাঙজৈবুং লম্পাক্ত মমাঙ থা ১৯দগী টিম ২০ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকপা ২শুবা ষ্টেট লেভেল ইপুধৌ নোংশাবা সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা হিজম এফ সি মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা হিজম এফ সি অমদি অপূন্নবা এফ সিনা শান্নখিবা মেটচতা হিজম এফ সিনা অপূন্নবা এফ সিবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা হিজম এফ সিগী গোলশিং অদু অনন্দনা গোল ২ অমদি কিসননা গোল ১ চনখি। মায়থিরবা অপূন্নবা এফ সিগী গোল ২ দুনা চিখাক অমদি সুশিলকুমারনা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা এটেক চথন্দুনা প্রেসর পীশিন্দু মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা অয়েংবশিংগী পপূক্লিং চিংশিনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী মিনট ৭ চৎপদা হিজম এফ সিগী জর্সি নম্বর ৯ অনন্দনা অপূন্নবা এফ সিগী গোল কিপ্পরবু মায়থিবা পীদুনা গোল একাউন্ট হাঙল্লগা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অদুবু গোল শোত্থরিবা অপূন্নবা এফসিনা অতেনবা মিনটতা হিজম এফ সিবু শীন্নরক্তুনা অহানবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনট ৩ কান্নরগা মিনট ১০ চৎপদা অপূন্নবা এফ সিগী জর্সি নম্বর ৯ চিখাকনা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা মান্না লৈন্নখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা হিজম এফ সিনা গোল অমুক মাঙজিল থারক্নবা হোন্দুনা শান্নখিবাগী মমল য়ান্নবা মহৈ অদু ফংদুনা হাল্ফ অসিগী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ২৪ দা জর্সি নম্বর ১০ কিসননা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফতা হিজম এফ সিনা মখোয়গী মপাঙ্গল চপ চান্না ফুদোক্তুনা শান্নখ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফতসু টিম অসিনা বোল পোজিসন হন্থদ্না শান্দুনা অহেনবা গোল হাপচিলক্লবা হোৎন্দুনা হেন্না প্রেসর পীশিনখি।

প্রেসর অদু অপূন্নবা এফ সিনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদদুনা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনখিবা অনন্দনা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা মেটচকী মিনট ৩১ চৎপদা হিজম এফ সিগী ৩ শুবা গোল অদু চন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থারগা মায় পাকপগী লম্বী নকশিনখি।

মেটচকী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা অপূন্নবা এফ সিনা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরগা শান্নদুনা মেটচকী মিনট ৫০ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১১ সুশিলকুমারনা গোল হন্দোক্তুনা ৩–২ দা লৈখ্রবসু অহেনবা গোল হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নংহৌখি।

মেটচ অসিদা হিজম এফ সিগী জর্সি নম্বর ৭ ফাংলগুনিদা মেটচকী মিনট ২৪ চৎপদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা রেদ কাদ বুক তৌদুনা মেটচকী মপালদা থোকহনখি।

অদুগা অপূন্নবা এফ সিগী জর্সি নম্বর ৯ চিখাক, জর্সি নম্বর ২ সঞ্জু অমদি জর্সি নম্বর ৩ হিজম এফ সিগী জেমসতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# রামনরায়ন চেস টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১৮ (এস এন এস) ঃ মণিপুর চেস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা জুভেনাইল ক্লব তেরা সাপম লৈকাই অমদি রাম নরায়ন শাষ্ট্রি মেমোরিয়েল ট্রষ্ট অনীনা পুন্না শীন্দুনা ৪শুবা ষ্টেট লেভেল চেস টুর্নামেন্ট ২০১৯ থা অসিগী ২৩ দগী পাঙথোক্লগনি।

চেস টুর্নামেন্ট অসি ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ২০ গা লোয়ননা ট্রোফি,রন্নস অপতা লুপা লিশিং ১৫ গা লেয়ননা ট্রোফি,অহুমশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ১০ গা লোয়ননা ট্রোফি,মরিশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৭,মঙাশুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৫,৬শুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং ৩,৭শুবা পোজিসন,৮শুবা পোজিসন,৯শুবা পোজিসন,১০শুবা পোজিসন,১১ শুবা পোজিসন অমদি ১২ শুবা পোজিসনদা লুপা লিশিং অমমম অদুগা বেষ্ট দিসিপ্লিনদনা লুপা লিশিং ২গগী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফোম মমলনা লুপা ২০০০ নি।

ফোম ফঙফমনা দি জুভেনাইল ক্লব তেরা সাপম লৈরক নত্রগা মণিপুর চেস ক্লবতগী লৌবিবা য়াগনি হায়রি।

# পবজি অমদি য়ং বোইজ ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল,জুন ১৮ (এস এন এস) ঃ ফ্যুচর ফুটবোল কোচিং সেন্টর, এফ এফ সি অঙথনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১৮ দগী টিম ২৬ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরকপা অহানবা য়ুমলেম্বম বিজেন সিংহ মেমোরিয়েল ভিলেজ ওপন ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ফাইনেল ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদা পবজি য়ুনাইটেদ অঙথা অমদি য়ং বোইজ অঙথানা শান্নরগনি।

অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতনা এন এফ সি নোঙব্রম অমদি য়াম্বেম এফ সিনা ফাইনেল মেটচ অসি শান দ্রীঙৈ মমাঙগী নুংথিল পুং ৩ তাবদা শান্নগনি।

# অনীশুবা এস দি এ য়ু ট্রোফিদা আর পি য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ১৮ (এস এন এস) ঃ সোসিয়েল দিভলর্পমেন্ট এথেলিটিক য়ুনিয়ন ( এস দি এ য়ু) তেকচমনা শীন্দুনা তেকচম হায়স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা টিম ২২ না গ্রুপ– ৭না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৭দগী চথরকপা অনীশুবা সোসিয়েল দিভলর্পমেন্ট এথেলিটিক য়ুনিয়ন ( এস দি এ য়ু ) ট্রোফি সভেন এসাইদ ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা আর পি য়ু পপাল মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাঙজিং এফ সি ৱাক ওভর ফংখ্রে।

টুর্নামেন্টকী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা ৱাঙজিং এফ সি অমদি লঙাথেন এফ সিনা শান্নগদবা মেটচতা লঙাথেন এফ সি শান্নবা লাক্তবদগী ৱাঙজিং এফ সিনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দা আর পি য়ু পপাল অমদি এফ পি এম সি কোম্থৌজমনা শান্নখিবা মেটচতা আর পি য়ু পপালনা এফ পি এম সি কোম্থৌজমবু গোল য়াম লাকচন্না গোল ৯–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা আর পি য়ুগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ সনাজাউবনা মিনট ১৬, ২৩ দা গোল ২, জর্সি নম্বর ১৭ ললিতনা মিনট ২১, ৩০ দা গোল ২, জর্সি নম্বর ১৫ সনামচানা মিনট ৪২, ৪৬ দা গোল ২ অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৯ সুরজিৎনা মিনট ৫, জর্সি নম্বর ৪ বেনরজিনা মিনট ৩৬ অমদি জর্সি নম্বর ৩ মাইকেলনা মিনট ৪৫ দা চনখি।

মায়থিরবা এফ পি এম সি কোম্থৌজমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৫ ঙাম্থোইবনা মেটচকী মিনট ১৩ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা আর পি য়ু পপালগী জর্সি নম্বর ৬ অঙৌদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

# অহানবা ঙাঙোম রঞ্জন নীংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী প্রি– ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৮ (এস এন এস) ঃ য়ং বোইজ পূখাওনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী টিম ২৮ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা অহানবা ঙাঙোম রঞ্জন মেমোরিয়েল মেন্স ওপন সভেন এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী প্রি– ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোয়খিবগা লোয়ননা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা ৱাই এস সি লৌশাঙখোং, এম এস এফ সি হৈঙাং, ই য়ু এস সি তেলৌ, য়ং বোইজ পূখাও অমদি লল্লাই এফ সি মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা ৱাই এস সি লৌশাঙখোং অমদি ক্রেজি বোইজ য়ুম্নাম খূনৌনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই এস সি লৌশাঙখোংনা ক্রেজি বোইজ য়ুম্নাম খূনৌবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ৱাই এস সি লৌশাঙখোংনা লাকশিন্না শান্দুনা মেটচকী অহানবা হাল্ফকী মিনট ২২ চৎপদা জর্সি নম্বর এম নরেসনা অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

টিম অসিগী অনীশুবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৯ সি ঐচ কোমানদরনা মেটচকী মিনট ৩২ চৎপদা চনদুনা মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোনখিবনি।

মেটচ অসিদা ৱাই এস সি লৌশাঙখোংগী জর্সি নম্বর ৭ এ সনাথোই, জর্সি নম্বর ৮ ৱাই ইবুংঙো, ক্রেজি বোইজকী জর্সি নম্বর ১৬ এস রোহেনকুমার অমদি জর্সি নম্বর ৯ টি ঐচ রোবিচন্দ্রদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা এম এস এফ সি হৈঙাং অমদি ৱাই এম সি (এ) হরাওরৌনা শান্নখিবা মেটচতা এম এস এফ সি হৈঙাংনা ৱাই এম সি (এ) হরাওরৌবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদি টিম অনীনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎন্নরবসু ঙম্নাদবদগী গোল চন্নবা ঙমদনা লৈন্নখি। এম এস এফ সিগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১৩ সিতলজিৎনা মিনট ৩৫ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা ৱাই এম সি (এ) হরাওরৌগী জর্সি নম্বর ৯ এন অবীনাস, এম এস এফ সি হৈঙাংগী জর্সি নম্বর ১ এস নোংপোকঙানবা অমদি জর্সি নম্বর ১৯ কে সুরেন্দ্রদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দা ই য়ু এস সি তেলৌ অমদি বি এস য়ু নোংপোক ককচিংনা শান্নখিবা মেটচতা ই য়ু এস সি তেলৌনা বি য়ু এস সি নোংপোক ককচিংবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ই য়ু এস সি তেলৌগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ এল অজয়না মিনট ২ অমদি ২৬ তা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল ১ দুনা জর্সি ১৩ টি ঐচ রমান্দনা মিনট ২৩ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা বি এস য়ু নোংপোক ককচিংগী জর্সি নম্বর ১৫ ইঙলানচাদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মরিশুবা গ্রাউন্দা য়ং বোইজ পূখাও অমদি লনচেনবী এফ সি পূখাওনা শান্নখিবা মেটচতা য়ং বোইজ পূখাওনা লনচেনবা এফ সি পূখাওবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা য়ং বোইজ পূখালগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৩ টি ঐচ গিতনা মিনট ৪, জর্সি নম্বর ১৯ টি ঐচ খিজেনা মিনট ২০ অমদি জর্সি নম্বর ১৮ ইশ্বচন্দ্রনা মিনট ৩৪ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা লনচেনবা এফ সি পূখাওগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৪ কে উটমনা মিনট ৯ অমদি জর্সি নম্বর ৮ এ মাইকেলনা মিনট ১৫ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা লনচেনবগী জর্সি নম্বর ১২ কিনাল অমদি য়ং বোইজকী জর্সি নম্বর ৮ মাইকেলদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

ঙসিগী অরোইবা লীগ মেটচ ওইনা মঙাশুবা গ্রাউন্দা লাল্লাই এফ সি অমদি এ এন ৱাই সি ঙাইরাংবমনা শান্নখিবা মেটচতা লল্লাই এফ সিনা এ এন ৱাই সি ঙাইরাংবমবু গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মায় পাক্লবা লল্লাই এফ সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল মরি চনখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ এম অবোইনা মেটচকী মিনট ২ অমদি ১৯ চৎপদা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল ২ দুনা জর্সি নম্বর ১৯ এস হেরোজিৎনা মিনট ৭ অমদি জর্সি নম্বর ১১ এল নাওথোইনা মিনট ১৪ চৎপদা চনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৬ এম কবিরাজনা মেটচকী মিনট ৩৩ চৎপদা মায় পাকপগী গোল অদু চনখি।

মায়থিরবা এ এন ৱাই সি ঙাইরাংবমগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১২ এল মৈরানা মিনট ১৬ অমদি জর্সি নম্বর ৫ এস রাচুনা মিনট ২০ দা চনখি। মেটচ অসিদা এ এন ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ১১ এল পোইরৈদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

হয়েংগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটশিংদা শঙ্গেবম এফ সি অমদি বি এস য়ু নোংপোক ককচিংনা অহানবা , এস সি ৱাই য়ুম্নাম খূনৌ অমদি সেক্তা (বি)না অনীশুবা, ও এফ এ পূঙদোংবম অমদি এফ সি লল্লাইনা অহুমশুবা অমসুং এস কে ৱাই শিনাম কোম অমদি য়ং বোইজ পূখাওনা মরিশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নগনি।

# ফিফা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপতা চাইনা অমসুং স্পেন দ্রো চৎখ্রবসু টিম অনীমক প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

পেরিস, জুন ১৮ (এঞ্জেসি) ঃ ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা ফিফা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী গ্রুপ–বিগী মেটচ অমদা চাইনা অমসুং স্পেন পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রবসু গ্রুপ অসিদা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।



চাইনা অমসুং স্পেননা শান্নখিবা মেটচ হেক হৌবদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎন্নরকখিবা এটেকশিং অদু মায়কৈ অনীগী দিফেন্দশিংনা য়াম্না হৈশিংখিবদগী পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্নদনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চাইনাগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎন্নরকখি। চাইনাগী শান্নরোইশিংনসু বোল হেক ফংবগা স্পেনগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎন্নখ্রবসু মেটচকী অপীবা মতম লোয়শিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নখিদবদগী পোইন্ট অমমম য়েন্দুনা গ্রুপ অসিদা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

ফিফা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ –এগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্সনা নাইজেরিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। ফ্রান্স টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ– এদা অহানবা পোজিসন তাদুনা মাঙজৌন্না প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি।

ফ্রান্স অমসুং নাইজেরিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী পাঙ্গল মান্নরকখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোয়শিনখিবদা টিম অনীমক গোল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭৫ শুবা মিনটতা নাইজেরিয়াগী শাননরোই ঙোজি ইবেরে চৎন– পত্থাপগী ৱাংমদা ফাউল তৌরুবগীদমক মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা রেদ কাদ উৎত্তুনা তাম্থোকখিবদগী নাইজেরিয়াগী শান্নরোই ১০ খক ঙাইহৌখি।

শান্নরোই ৱাৎপগী খুদোংচাবা লৌদুনা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা এটেক মথং– মথং চথরকখি। শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনটতা নাইজেরিয়াগী শান্নরোই চিয়ামকা নাদোজিনা মখোয়গী পেনালটি বোক্স মনুংদা চথখিবা ফাওল অমা ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরি (ভি এ আর)গী মতেংনা খঙখিবদগী ফ্রান্সকী ফেভরদা রেফরিনা পেনালটি অমা পীখি।

পাঞ্জল শোয়দনা ওইবগী খুদোংচাবা লৈরবা পেনালটি কিক অদু ফ্রান্সকী শান্নরোই ৱেন্দি রেনাল্ডনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু মেটচ লোয়শিনবা ফাওবা লৈখি।

গ্রুপ–এগী ঙসিদ শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নোরৱেনা সাউঠ কোরিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ অসিদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। মেটচ হেক হৌরকপা ৫ শুবা মিনটতা নোরৱেগী শান্নরোই কেরোলিন গ্রাহম হানসেননা পেনালটি অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থ্যরগা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৫১ শুবা মিনটতা নোরৱেনা ফংখিবা অতোপ্পা পেনালটি অমদা ইসাবেল হরলোভসেননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। মখাতানা শান্নরকপা মেটচকী ৭৮ শুবা মিনটতা সাউঠ কোরিয়াগী শান্নরোই য়িও মিঞ্জিনা পাঞ্জল অমা হন্দেকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু নোরৱেনা ২–১ দা মায় পাকখি।


সৈক্লৌ সাঙতাক

CHAOKHAT KHONGTHANG

LUCKY DRAW

| DRAW | DATE | 1st Prize | 2nd Prize | 3rd Prize | 4th Prize | 5th Prize |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st Draw | 07th July 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 2nd Draw | 07th Aug. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 3rd Draw | 07th Sep. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | Rs. 80,000 | Rs. 80,000 | Rs. 50,000 | Rs. 50,000 |
| 4th Draw | 07th Oct. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 5th Draw | 07th Nov. 2019 at 1.00 p.m. | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh | 1 lakh |
| 6th Draw | 07th Dec. 2019 at 11.00 a.m. | Pleasure | Pleasure | Pleasure | Pleasure | TATA Tiago |

6 Months Lucky Draw Started from 7th July,2019 Contribution Amount ₹ 2000/- Per month.

Last Date of form Submission 26th June,2019

অথুবগী ওইনা এজেন্ট ওইবীনিংবা মীওই খরা পামজে

Pliz Contact: 7005162621

SL / B / M / Packd.

Consolation Prizes

Mobile Handset
Telivision
Gas Frame
Mixer Grinder

Tick your choice


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com